# হিন্দু অমসুং অতৈ কম্ম্যুনিটিশিং মশিং য়ামদনা লৈবা ষ্টেটশিংনা মখোয়বু মাইনোরিটিশিংনি হায়না লাউথোকপা য়াই: সেন্টর

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
হিন্দু নত্ত্রগা অতৈ কম্ম্যুনিটিশিংগী মশিং য়ামদনা লৈবা ষ্টেটশিংগী গভর্নমেন্টশিংনা মখোয়বু ষ্টেটশিং অদুদা মাইনোরিটি কম্ম্যুনিটিনি হায়না লাউথোকচবা য়াই হায়না সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা খঙহনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্সনা এফিদেবিট অমদা হায়, ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনসু রিলিজস নত্ত্রগা লিঙ্গুইষ্টিক কম্ম্যুনিটি অমবু হায়রিবা ষ্টেট অদুদা মাইনোরিটি কম্ম্যুনিটি অমনি হায়না লাউথোক্তবা য়াই। খুদম ওইনা গভর্নমেন্ট ওফ মহারাষ্ট্রনা জিয়ুশিংবু মহারাষ্ট্র ষ্টেট মনুংদা মাইনোরিটি কম্ম্যুনিটি অমনি হায়না নোটিফাইদ তৌখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা এফিদেবিট অদুদা হায়, মদুদি কর্নাটকা গভর্নমেন্টনা উর্দু, টেলুগু, তামিল, মালয়ালম, মরাথি, টুলুক, লামানি, হিন্দি, কোনকানি অমসুং গুজরাটি লোনশিংবু ষ্টেট অসিগী মনুংদা মাইনোরিটি লেঙ্গোইজ শিংনি হায়না নোটিফাইদ তৌখ্রে।

মখা তানা ষ্টেটশিংনা ইন্সটিট্যু-সনশিংবুসু হায়রিবা ষ্টেটশিংদুগী রুলশিংগী মতুং ইন্না মাইনোরিটি ইন্সটিট্যুসনশিংনি হায়না সার্টিফাই তৌবসু য়াই।

অদুম ওইনমক মিনিষ্ট্রি অসিনা এফিদেবিট অদুদা হায়রি, মদুদি বিজেপি লিদর অমসুং এদভোকেট অশ্বিনি কুমার উপদ্যায়না পিআইএল অমদা লদাখ, মিজোরাম, লক্ষদিপ, কাশ্মির, নাগালেন্দ, মেঘালয়, অরুনাচল প্রদেশ, পঞ্জাব অমসুং মণিপুরদা মাইনোরিটিশিং ওইরিবা জুদাইজম, বহাইজম অমসুং হিন্দুইজমগী ফোল্লোৱারশিংনা মখোয়গী অপান্বা ইন্সটিট্যুসনশিং লিংবা নত্ত্রগা চল্লাইবা য়ারোই হায়বা ৱাফমশিং অসিদি চুমদে।

লদাখ, মিজোরাম, লক্ষদিপ, কাশ্মির, নাগালেন্দ, মেঘালয়, অরুনাচল প্রদেশ, পঞ্জাব অমসুং মণিপুরদা মাইনোরিটিশিং ওইরবা জুদাইজম, বহাইজম অমসুং হিন্দুইজমশিংগী ফোল্লোৱারশিংনা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা মখোয়গী অপান্বা এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুটশিং লিংখৎপা অমদি চল্লাইবা ঙম্মী হায়বা ৱাফমশিং অসিদি মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা খন্নবা য়াই হায়না এফিদেবিট অদুদা পনখি।

মখা তানা এফিদেবিট অদুনা হায়, সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা কুমজা ২০০৪ গী ওক্তোবর ২৯ দা নেসনেল কম্মিসন ফোর রিলিজস এন্দ লিঙ্গুইষ্টিক মাইনোরিটিস অমা লিংননবা ৱারেপ লৌখি অমসুং কম্মিসনগী টার্ম ওফ রিফরেন্স অদুদি রিলিজস অমসুং লিঙ্গুইষ্টিক মাইনোরিটিশিংগী মরক্তগী সোসিএলগী অমসুং শেল থুমগী ওইনা শোৎথহৌরবশিংগী মশক খঙদোক্লবগী ক্রাইটেরিয়া পুথোক্কনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্স অসি সিটিজেন খুদিংমক লৈবাক অসিবু শেমগৎ শাগৎপদা শরুক য়াহন্নবগী মান্নবা খুদোংচাবা ফঙহন্নবা এফার্মেসন এক্সন অমসুং ইনক্লুসিব দিভলপমেন্টগী খুত্থাংদা মাইনোরিটিশিংগী সোসিও ইকনোমিক কন্দিসনশিং ফগৎহন্ননবা লিংখৎখিবনি হায়না এফিদেবিট অদুনা মখা তাখি।

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা মখা তানা সুপ্রিম কোর্টতা সবমিসন তৌখি, মদুদি মাইনোরিটিশিংগী সবজেক্ট অসিদা লোশিং শেম্নবগীদমক ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংদা পৱার পীবা য়ারোই। অসিগুম্বা পৱার পীবা অসি টোপ কোর্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিংগী মায়োক্তা ওইগনি অমদি কন্সটিট্যুস্নেল স্কিমগী তাইওন্নবা ওইনা থোক্কনি।

এফিদেবিট অদুনা মখা তানা হায়, কন্সটিট্যুস্নেলগী আর্টিকল ২৪৬ অমদি সেদ্যুল তরেৎকী কনক্রেন্ট লিষ্টতা য়াওরিবা এন্ট্রি ২০গী মখাদা পার্লিয়ামেন্টনা নেসনেল কম্মিসন ফোর মাইনোরিটিজ এক্ট ১৯৯২ ইনেক্ট তৌখি।

করিগুম্বা ষ্টেট মথন্তনা মাইনোরিটি হায়বা সবজেক্ট অসিদা লো ইনেক্ট তৌবগী পৱার লৈ হায়বসি য়াবা তারবদি পার্লিয়ামেন্টগী অসিগুম্বা পৱার লৈতদুনা কন্সটিট্যুস্নেল স্কিমগী তাইওন্নবা ওইনা থোক্কনি।



# দোল্লর বিলিয়ন ৪০০ কী এক্সপোর্ট টার্গেট অসিনা লৈবাক অসিনা তৌবা ঙম্বশিং উৎলি: মোদি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
হন্দক্তা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী পোত্থোকশিং দোল্লর বিলিয়ন ৪০০ ফাওবা মপানদা থাদোকপগী টার্গেট ফঙবা ঙমখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী তৌবা ঙম্বশিং অদু উৎলি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

থা খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা লৈবাক মীয়ামদা রেদিওগী খুত্থাংদা ৱা ঙাঙবগী থৌরম অমা ওইরিবা মন কি বাটতা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি এক্সপোর্ট টার্গেট অসিনা ইন্দিয়াদা পুথোক্লিবা আইটেমশিংগী দিমান্দ মালেম পুম্বদা হেনগৎলক্লে অমদি সপ্লাই চেঙ নোংম নোংমগী ফিভম ফগৎলক্লি হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি।

পিএমনা মখা তানা হায়, ঐখোয়না মঙলিবা মঙলানশিংদগী ঐখোয়গী ফিরেপ নত্ত্রগা ৱারেপশিং হেল্লকপা মতমদা লৈবাক অসিনা মাঙলোমদা অচৌবা খোঙথাংশিং থাংজিনবা ঙম্মী। অদুগীদমক অহিং নুংথিল নাইদনা থম্মোয় শেংনা হোৎনরবা মতমদা মখোয়বু মায় মহৈ য়ালহনবসু ঙম্মী।

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পুথোক্লিবা অনৌবা পোত্থোকশিং মপান লৈবাক কয়াদা য়ৌরে হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, অসামগী হাইলাকান্দিদা পুথোক্লিবা লেদরগী পোত্থোকশিং নত্ত্রগা ওস্মানাবাদতা পুথোক্লিবা হেন্দলুমগী পোত্থোকশিং, ভিজাপুরদা পুথোক্লিবা হৈরা অমদি মনা মশিং নত্ত্রগা চন্দৌলিদা মরাং কায়না পুথোক্লিবা চাকহাওনচিংবা পোত্থোক কয়া অসি মপানদা থাদোকপগী চাং হেনগৎলক্লি।

হৌজিক মীপুম খুদিংমক্লা মালেমদা মমিং লৈরবা লদাখকী চুম্ব্রে মখল অমা দুবাইদসু উবা ফঙলগনি। তামিল নাদুদগী থাখিবা লফোইশিং সাউদি অরাবিয়াদা ফঙলে। ত্রিপুরাগী মরু ওইবদি অনৌবা পোত্থোকশিং অসি হান্না থাখিদবা অনৌবা লৈবাকশিংদা থারকপা অসিনি।

হিমাচল প্রদেশতা পুথোকপা লৌউ শিংউবগী পোত্থোক কয়া হৌজিক দেনমার্কতা থারি। অন্ধ্র প্রদেশকী কৃষ্ণ অমসুং চিতুর দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফঙলিবা বৈনগানাপাল্লি অমসুং সুবরনারেখা হেনৌ মখলশিং অসি হৌজিক লৈবাক অসিনা সাউথ কোরিয়াদা এক্সপোর্ট তৌরি হায়নসু পিএমনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা অয়ুস সেক্তরদা ষ্টার্ট অপ কয়া মায় পাক্লে অমসুং সেক্তর অসিগী মার্কেটকী শেনফম লুপা ক্রোর ১,৪০,০০০ য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়, চহী তরুক্কী মমাঙদা অয়ুরবেদগা মরী লৈনবা হিদাক লাংথক্কী মার্কেট অসি ক্রোর ২২,০০০ গী শেনফম ওইরম্মী। হৌজিক্তি যোগা অমসুং অয়ুরবেদিক অসি মালেম শীনবা থুংনা পান্বা হেনগৎলকপদগী ক্রোর ১,৪০,০০০ হেনগৎলক্লে।



# ইন্দিয়া অমসুং মালদিবসকী পার্টনরশিপ দোল্লর বিলিয়ন ২.৬ য়ৌরে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া অমসুং মালদিবসকী পার্টনরশিপ অসি হৌজিক গ্রান্টশিং, কন্সেস্নেল লোনশিং, বজেটরি সপোর্ট অমসুং কেপাসিটি বিল্ডিং অমসুং ট্রেনিং এসিষ্টেন্টতা য়েংবদা দোল্লর বিলিয়ন ২.৬ ফাওবা য়ৌরে।

ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্কর নুমিৎ নিনি হায়বদি মার্চ ২৬ তগী ২৭ ফাওবগী খোঙচৎতা মালদিবসতা লৈরি।

খোঙচৎ অসিদা মহাক্লা প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম মোহম্মদ সালিগা উন্নগনি। মহাক্লা মালদিবসকী মিনিষ্টর ওফ ফোরেন এফেয়র্স অব্দুলা সাহিদকা ৱারী শান্নবগা লোয়ননা বাইলেটরেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন, ইন্দিয়ানা মতেং পাঙবা মরু ওইবা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাবা, শিন্নবগা মরী লৈনবা এগ্রিমেন্ট কয়া খুৎয়েক পীনখি।

প্রোজেক্টশিং অদুনা মালদিবসকী সোসিও-ইকনোমিক দিভলপমেন্টদা চাওনা মতেং পাঙবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটিসু হেনগৎলগনি। মালদিবসকী খাইথং থংবা মী তাবা ইথৎ মচাশিং লৈরিবা অদ্দু সিটিদা ইন্দিয়ানা মতেং পাঙদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, টুরিজম, ফিস প্রোসেসিং অমসুং হেল্‌থনচিংবা তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলি। অদ্দু রোদসকী প্রোজেক্টশিং থবক হৌখিবগা লোয়ননা হাউজিং য়ুনিট ৪০০০ শাবা, দ্রিঙ্কিং ৱাটর অমসুং সেনিটেসনগী থবকশিংসু পায়খৎপা হৌরে হায়না ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা মালদিবসকী ফোরেন মিনিষ্টর অব্দুলা সাহিদ অমসুং অতৈ সেনিয়ার ওফিসারশিংগা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মদুদি আইকোনিক গ্রেটর মালে কন্নিত্তিভিটি প্রোজেক্ট অসি কনসেপ্টকী লেভেলদগী চহী অনী ফাদবা মতমগী মনুংদা প্রিলিমিনরিগী থবকশিং পায়খৎপগী থাক ফাওবা য়ৌরে।

হায়রিবা থাক অসি কোভিদকী লাইচৎ মনুংদা য়ৌরকখিবনি। জিও-টেক্নিকেল সর্বেশিং হৌজিক চথুরি। লাক্লিবা থা খরা অসিদা থবকশিং অসিগী প্রোগ্রেস শিংথানিংঙাই ওইরগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহী অসিদা হানিমাদু এয়রপোর্টকী দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট, এমআইএফসিও ফেসিলিটিশিং পাকথোক চাওথোকপা অমদি সোসিএল হাউজিং প্রোজেক্টশিং অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা খুমাং চাওশিনবা উখি।

দোল্লর মিলিয়ন ৪০ গী স্পোর্টস লাইন ওফ ক্রেদিটকী অকুপ্পা প্রোজেক্ট রিপোর্ট হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারীদগী হৌখিবা অসি হৌজিক মপুং ফানা লোইশিল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। লাইন ওফ ক্রেদিট অসিগী মখাদা নেসনেল ষ্টেদিয়ম শেমজিন শাজিনগনি অমসুং মালদিবসকী মফম কয়াদা স্পোর্টস ইনফ্রা ষ্ট্রকচর শেমগৎকনি।

কেপাসিটি বিল্ডিং অমসুং ট্রেনিংগী লমশিংদা নেসনেল নোলেজ নেটৱার্ক (এনকেএন) হৌদোক্লগনি।

ঙসি প্যারিং এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনবগা লোয়ননা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ১৫০০ হেন্না অমদি সিঙ্গাপোর, য়ুরোপ অমসুং য়ুএসকী লার্নিং সেন্টরশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটি কয়া মালদিবসকা মরী শম্নরগনি হায়না জয়সঙ্করনা ফোঙদোকখি।



# বস অমা চীং লম্বীদগী ফুট ৬০ লুবা ভেল্লিদা তাশিনবদা মীওই ৮ শিরে, ৪৪ শোক্লে

টিরুপতি, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা অন্ধ্র প্রদেশকী চিতুর দিষ্ট্রিক্টকী বকারা পেটতা চীংগী লম্বী অমদা খোঙজেল য়াঙনা চেল্লকপা প্রাইভেট বস অমা ফুট ৬০ লুনা মখাগী ভেল্লিদা তাশিনখিবগী থৌদোক্তা মীওই নিপান শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই ৪৪ না অশোক অপন নঙলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা মখা তানা হায়, ভিক্তিমশিং অদু অনন্টপুরম দিষ্ট্রিক্টতগীনি। মখোয় লোইনমক মরী মতা ঙাক্তনি। মখোয় নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা পাঙথোক্কদবা লুহোংবগী এনগেজমেন্ট থৌরম অমদা শরুক য়ানবগীদমক ধর্ম্মবরমদগী টিরুপতি তন্না লাকখিবনি।

চীংগী লম্বী অদুদা খোঙজেল কা হেন্না য়াঙনা থৌরকপদগী এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অদুনা ফোঙদোকখি।

এক্সিদেন্ট অদুদা শিখিবশিংগী মনুংদা ভর্নিকুলর পাউচে অমদা থবক তৌবা জর্নেলিষ্ট অমা য়াওখি। পুংমম মন্বা মতম ওইবনা রেস্ক্যু ওপরেসনদা মতম য়াম্না চঙখি। চিতুর দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর এম হরি নরায়ন এক্সিদেন্ট মফমদা চঙশিনখি অমসুং মহাক্লা রেস্ক্যু অমসুং রিলিফ ওপরেসনশিং য়েংশিনখি। টিরুপতি অর্বান এসপি সিএসভি অপালু নাইদু অমসুং পুলিস পার্সনেলশিংগী টিম অমনা অশোকপা মীওইশিং থৌরি শীজিন্নরগা ফিভম শোক্লবা গাড়ী মনুংদগী চিংথোকখি অমসুং মখোয়বু টিরুপতিদা লৈবা আরয়ুআইএ হোস্পিটালদা পুখৎখি।

এক্সিদেন্ট অদুদা শিখিবশিংগী হকচাংশিং থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা লৌথোকখি অমসুং হোস্পিটাল অদুদা পোষ্ট মোর্টেম কন্দক্ট তৌখি।

চিতুর দিষ্ট্রিক্টতগী হৌরকপা ষ্টেট পঞ্চায়ট রাজ মিনিষ্টর পিআরসি রেদ্দিনা হোস্পিটাল অদুদা লৈরিবা অশোকপশিং অদুগী ফিভমশিং য়েংশিনখি।

অন্ধ্র প্রদেশ গভর্নমেন্টনা এক্সিদেন্ট অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই খুদিংমক্কী ইমুংদা লুপা লাক্ষ অনীগী এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা অশোকপা খুদিংমক্তনা লুপা লিশিং ৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

এক্সিদেন্ট অদুদা মীওই কয়া লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ইমুং মনুংনা নঙহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না মোদিনা ত্বিট অমদা হায়খি, লৈখিদ্রবা মীওই পুম্নমক্কী ইমুংশিংদা লুপা লাক্ষ ২ গী এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি অমসুং অশোক অপন নঙলবা খুদিংমক্তনা লুপা লিশিং ৫০ পীরগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখি।

গভর্নর বিশ্বা ভুষন হরিচন্দন, চীফ মিনিষ্টর ৱাইএস জগন মোহন রেদ্দি, টেলুগু দেসাম পার্টিগী প্রসিদেন্ট এন চন্দ্রবাবু নাইদু, জকন সেনা চীফ কে পৱন কালিয়ন, ষ্টেট বিজেপি ভাইস প্রসিদেন্ট এস ভিষ্ণু ভর্দন রেদ্দি, প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এস সৈলা জানাট অমসুং অতৈ কয়ানসু অৱাবা ফোঙদোকখি।



# ‘কাশ্মিরী পণ্ডিতশিং খুন্দা লৈতাহনবগী মহুত্তা বিজেপিনা পোলিটিক্স তৌদুনা লৈ’



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
কাশ্মিরী পণ্ডিতশিংনা কাশ্মির তম্পাক্তগী পাক্তক্লনা চেন্থোক্লখিবদগী ভারতিয়া জনতা পার্টি (বিজেপি) না সেন্টরদা চহী নিপান চুপ্পা পানখিবা ওইরবসু মখোয়গী গভর্নমেন্টনা কাশ্মিরী পণ্ডিতশিংবু খুন্দা লৈতাহন্নবগী থবক অমত্তা পায়খৎখিদে হায়না দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন কেজ্রিৱালনা থাংজ নুমিত্তা বিজেপিবু চৈরদুনা ফোঙদোকখ্রে।

বজেট মতুংগী প্রেস ব্রিফিংদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ডা কাশ্মির ফাইল হায়রিবা ফিল্ম অসি য়ু ট্যুবতা অপলোদ তৌনবা অমসুং মদুদগী তাল্লকপা শেনফম কাশ্মির পণ্ডিতশিংগী ৱেলফ্যেরগী থবকশিংদা শীজিন্ননবা মহাক্লা অমুক হন্না দিমান্দ তৌখি।

ফিল্ম অসিবু টেক্স ফ্রি ওইহনবগী দিমান্দগা মরী লৈননা মহাক্লা শগোলশেল নুমিত্তা ষ্টেট এসেমব্লি সেসন মনুংদা ফিল্ম অসি য়ু ট্যুবতা অপলোদ তৌনবগী সজেসনসু পীখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি বিজেপিনা ইস্যু অসিগী মতাংদা পোলিটিক্স তৌদুনা লৈরি। ঐখোয়না কাশ্মির ফাইল হায়রিবা ফিল্ম অসি য়ু ট্যুবতা অপলোদ তৌনবা দিমান্দ তৌরি। মদুদগী তানবা শেনফমশিং কাশ্মির পণ্ডিতশিং খুন্দা লৈতাহনবা অমদি মখোয়গী য়াইফ থৌরাংশিংদা শীজিন্নগদবনি। কেজ্রিৱালনা বিজেপিবু এমসিদি মীখল থিন্থবগা মরী লৈননা চৈ থাংখিবনি। সিভিক বোদিগী মীখল অসি য়ৈথোক্লবগীদমক পার্লিয়ামেন্টদা এমসিদি বিল পুথোকখি হায়না মহাক্লা ক্লেম তৌখি।

# ফ্লেট লৈগদবশিংদগী তৌশিন্নরগা লুপা ক্রোর ১১ লৌথোকখিবা ২ ফারে

ন্যু-দিল্লি, মার্চ ২৭ (এজেন্সী):
য়ুম লৈগদবা মীওই ৫১ দগী তৌশিন্নরগা লুপা ক্রোর ১১গী শেনফম লৌথোকখিবা মীওই অনী দিল্লি পুলিসনা ফারে হায়না ওফিসল অমনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ফারবা মীওই অনী অদুদি অক্সেজেন অমদি প্রটিক জেননি। মখোয় অনী ইরাই নুমিৎতগী পুলিস কষ্টদিদা থমখ্রে হায়রি।



কেসসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফমশিং থম্লদুনা ইকোনোমিক ওফেন্স ৱিংগী দিসীপিএমআই হাইদরনা ফোঙদোকখিবদা কমপ্লেনেন্টশিং অমদি ভিক্তিমশিংনা রিপোর্ট তৌরকপগী মতুংইন্না উট্টর প্রদেশকী গাজিঅবাদতা শেমগৎলিবা ‘রেদ এপল হোমেস’ হায়না মিংথোলবা হাওসিং প্রোজেক্ট অসিগী ফ্লেটশিং বুক তৌনবা মঞ্জু জে হোমস লিমিটেদকী দিরেক্টরশিংনা হায়জরকখি হায়রি।

ফ্লেটশিং বুক তৌবগী মতম কুমজা ২০১২ দা মখোয়না ভিক্তিমশিংদা চহী অহুমগী মনুংদা ফ্লেটশিং খুৎশিন্নগনি হায়না থাজবা পীখি অদুবু হৌজিক ফাওবদা ফ্লেটকী শেমগৎ-শাগৎলিবা থবকশিং লোইশিন্দনা লৈরি অমদি শেমগৎ শাগৎলিবা কম্পেনিনা বেঙ্কী ঈ এম আই থিবসু লেপখ্রে। হৌজিক ফাওবদা কমপ্লেনেন্ট ৫১ না লুপা ক্রোর ১১ গী শেনফম য়াওখ্রে হায়না ইকোনোমিক ওফেন্স ৱিংদা খঙহল্লকখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, কমপ্লেনেন্ট অয়াম্বনা মখোয়গী নোলেজ য়াওদনা লোন সেঙ্কসন তৌই অমদি দোক্যুমেন্ট অয়াম্বশিংদা মখোয়না সিগ্নেচরশিং শেমজিন- শাজিন্নদুনা লোনগী অয়াম্বা শেনফমশিং বিলদর কম্পেনিশিংদা চঙহনখি হায়রি।

মখোয়বু ৱাহং-পাউহং তৌরবা মতুংদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৪০৬, ৪০৯, ৪২০, ৪৬৭, ৪৭১ অমদি ১২০ বিগী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মখা তানা থীজিন-হুমজিনবগী থবক হৌখি।

ইনভেষ্টিগেসনগী মনুংচন্না রেসিদেলসিএল প্রোজেক্ট অসিগী লম অসি এক্যুজ ওইরিবা বিল্দর কম্পেনিগী মমীংদা লৈরম্বা খঙলকখিবনি হায়রি।

সিআরপিসিগী সেক্সন ১০২ গী মখাদা নোটিস অমা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর, সব-রেজিষ্ট্রার, এসদিএম, টেহসিলদার, জিদিএনচিংবদা থাদুনা প্রোজেক্ট অদুগী লম অদু ইনভেষ্টরশিংবু নমথাক তৌরে হায়বসি খঙহনবগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা মখা তাবা ট্রান্সফর নত্ত্রগা অহুমশুবা পার্টিগী রাইট লৈহন্দনবা হায়জখি।

গাজিয়াবাদ দিভলপমেন্ট ওথোরিটিদগী ফঙখিবা পাউখুমদগী প্রোজেক্ট অদুগী পার্মিসন অদু কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরদা পীরকখিবনি অমসুং মদুগী মতুংদা ফায়র দিপার্টমেন্ট, ইনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্ট অমদি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী পার্মিসনশিং ফঙখি হায়না ওফিসিএল অসিনা ফোঙদোকখি।

